**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-10.2024)**

**টোঙ্ক (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবগী মতাংদা ফুরুপ অহুমগী ওইবা মীফম অমা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

গৃহ মন্ত্রালয়না শিনদুনা চথখিবা মীফম অদুদা পুং অনি চুপা মনিপুরগী ইরাং অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মীফম অদুনা মরুওইনা মতৌ করমা তংদু লৈতাবা ফিভম হনজিল্লক্কদগে হায়বগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি।

মীফম অদুনা, রাজ্য অসিগী মীয়ামনা মীশি মীনা থোকপা য়াবা হিংশাগী থৌদোকশিং চথনবা আপিল তৌরি।

মীফম অদুদা অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা সিংহ, মন্ত্রিশিং-থৌনাওজম বসন্তকুমার, হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জন, লেতপাউ হাওকিপ, অৱাংবৌ ন্যুমাই অমদি এম.এল.এশিং-পাউমিনলাল হাওকিপ, হাউখোলেট কিপগেন, রাম মুইভা, থোকচোম রাধেশ্যাম অমদি তোংব্রম রোবিন্দ্রোনচিংবা শরুক য়াখি।

**এএপি (এল)ঃ** ফুরুপ অহুমগী মন্ত্রি অমদি এম.এল.এশিং য়াওবা মীফম অসিদা তোঙানবা লৈঙাক অমা শাগৎপগী য়ান্ন-চে সহি তৌনবা চেরোল থারকপা ওইরবদি মনিপুর কায়নবগী লন্বী ওইগনি। মসিদা আম আদমি পার্টি মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা য়াবা ঙমলোই হায়রি।

**য়ুএন (এল)ঃ** মনিপ্রদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা মীওইবগী হক খোঙ্গাউনরিবা অমদি মনিপুরদগী দ্রগ লল্লোনবগী থবকশিং মুখৎনবগী মতাংদা থিজিনবীনবা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ফেক ফাইন্দিং টিম মনিপুরদা

থাবীরকবা হ্যুমেন রাইটস অমদি ইনভাইরোনমেন্ট এক্তিভিষ্ট-যোধা হৈক্রুমজনা য়ু.এনদা থমখ্রে।

যুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৫৭ শুবা মীফমদা মনিপুরগী মতাংদা থমখিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা যোধানা হায়-মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিন তাকনবা হোৎনবনি। মনিপুরিশিংনা মশাগী লমদা রিফ্যুজি ওইনা লৈরকপদা নত্তনা লৈখিদবা কয়া অমা য়াওখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া অসিগী মতাংদা হন্দক পাঙথোকখিবা ৫৭ শুবা য়ু.এন. হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মীফম অদুদা মালেমগী লৈবাক ১৯১ দা খঙহনখি।

**বন্দ(এল)ঃ** আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংনা কৌবা পুং ১২ গী বন্দনা মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীখি। ইম্ফালগী মরুওইবা মফমশিং থোং হাংনখিদে। লম্বীদা গাড়ি চৎপগী চাং হন্থখি।

রাজ্য অসিগী অতৈ মফম কয়াদসু বন্দ অসিনা মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীখি। কৈথেল, দুকান, মহৈ লোইশঙশিং থোং লোন্নখি অমদি লম্বীদা গাড়িশিং চেনবগী চাং হন্থহনখি।

**মীফম(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী লাইফম খুনৌদগী শকখঙদশিংনা মীওই অহুম ফাদুনা পুখিবগী মনুংদা অমনা শিনা ফংখিবা অদুগা অমবুনা তমথিনা ফুরকপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি লৈকাই মীয়ামনা লাহফম খুনৌ মমাং লৈকাইদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমদা থৌদোক অদুগী লংলা লংজিন পুথোক্তুনা চেন্নবশিং মতিক চাবা আইনগী থবক লৌখৎপিয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

**প্রোগ্রাম(এল)ঃ** মহৌশাগী খল কায়থরকপগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা অখন্ননা পুথোকপা থৌরম 'হোংলক্লিবা অইং আশাগী খলদা মনিপুরগী' ১৮ শুবা তাঙ্কক্তা হয়েং অয়ুক পুং তরেৎতা 'মীওইবগী চক্রিদা চিংজাউনা কয়াম কুইনা খাঙখিগনি' হায়বা থৌরম অমা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি।

**এরেষ্ট(এল)ঃ** মমাং থাগী ২৬ তা এস.দি.সি. কুম্বী ওফিস মৈ থারম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অহুম বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখা তানা চেন্নবা অতৈ মীওইশিং ফাননবা থবক লৌখৎলি।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফারবা মীওইশিং অদুনা এস.দি.সি. ওফিস মখোয়না মৈ থাবনি হায়না য়াজরে। থৌদোক অদুদা মখা তানা চেন্নবশিং ফানবা থবক লৌখৎলি। সরকারগী মাল চাং ৈয়খায় থিনগায়বদা চেন্নবশিংগী মথক্তা চপ চাবা আইনগী থবকশিং লৌখৎকনি। ফারবা মীওইশিং অদু কুম্বী থোং লৈকাই অমদি কুম্বী ঈশিং চাইবা লৈকাইদগীনি।

**হৌ চোংবা (এল)ঃ** থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মেরা হৌ চোংবগী থৌরমদা শরুক য়ারননবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিং হয়েং ইম্ফালগী সনা কোনুংদা থুংলরগনি। মখোয়বু রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা তরামা ওক্কনি। মপুং ওইবা থৌরম সনা কোনুং অমদি কংলাদা পাঙথোক্কনি।

**ফামর (এল)ঃ** মালেমগী চিঞ্জাক্কী নুমিৎনা লাকপদা চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা খুন্নাইগী অমগী ফিরেপ লৌরসি হায়না কংলৈপাক প্রোগ্রেসিপ ফামর

এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়-নুমিৎ অসি মালেম শিনবা থুংবদা ‘রাইট টু ফুদ, ফোর এ ভেটর লাইফ এন্দ এ ভেটর ফ্যুচর’ হায়বা হীরমদা পালন তৌনরি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মালেমগী মীয়ামগী ৱাৎলিবা চিঞ্জাকশিং অসি মপুং ফানা পুথোকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না এসোসিয়েসন অসিনা পাউজেল পীরক্লি।

**মীফম (এল)ঃ** কোলকতাগী আর.জি. কর মেদিকেল কলেজতা ডাক্তর নুপী অমবু ইজৎ মাঙহল্লবা মতুংদা হাৎলম্বগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং মতিক চাবা দন্দি ফংহন্দবগা মরী লৈননা ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সেস (জেনিমস) কী ডাক্তরশিংনা ঙসি ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসননা শিনদুনা লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসি ডাক্তরশিংনা চংশিনখিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা জেনিমসকী ডাক্তরশিংনা হোস্পিতাল অসিগী ও.পি.দি. মমাংদা ৱাকৎ মীফম অদু চথখিবনি।

রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তসু ৱাকৎ মীফম ফমখি।

**ডে(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী ৱাঙ্গৈই কম্যুনিটি হেলথ সেন্টরগী মীৎয়েং মখাদা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরশিংদা গ্লোবেল হেন্দ ৱাসিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

পালন থৌরম অসিগী চহি অসিগী থিমনা-হ্বাই আর ক্লিন হেন্দস স্তিল ইমপোরটেন হায়বসিনি।

**ফেষ্টিবেল (এল)ঃ** মরিং ফুরুপকী ওইনা চহি খুদিংগী লৌরোক মমাং মেরা থাদা পাঙথোকপা মহৈ মরোংগী লাইরেম্বীবু তরামা ওকপগী কুম্মৈ ‘লমলাই

ফেষ্টিবেল’ ঙসি তেংনৌপলগী কোনাইতোং ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি কোনাইতোং ভিলেজ ওথোরিতি অমদি খুল অদুগী ক্লবনা শিনদুনা পাঙথোকপনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা দিজিটেল টেকোলোজিগীদমক মালেমগী ওইবা ফ্রেম ৱার্ক অমা শেম্বগী তঙাইফদবশিং অদু অমুক নৌহৌননা নীংশিংলি।

মহাকা হায়-ভরতনা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা জি টৌইন্তি মীফমদা দিজিটেল টেকোলোজিগী হীরম কয়াদা খন্ন-নৈনখি। ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা ঙসি অয়ুক ইন্টরনেসনেল টেল্লি কম্ম্যুনিকেসন যুনিয়ন-ৱার্ল্ড টেল্লি কম্ম্যুনিকেসন, ষ্টেন্দরটাইজেসন এসেমব্লি (ডব্লিয়ু.টি.এস.এ) ২০২৪ হৌদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মীফম অসিনা মালেমগী ওইবা থাক য়ৌহন্নবা পান্দম থল্লি । অমরোমদা, ইন্দিয়ান মোবাইল কোংগ্রেসনা মসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

**জম্মুঃ** জম্মু কাশ্মীরদা নেসনেল কনফরেন্স দলগী লূচিংবা ওমর অব্দুল্লাহগী সরকার হয়েং ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম শ্রী নাগরদা লৈবা সের ঈ-কাশ্মীর ইন্টরনেসনেল সেন্তর (এস.কে.আই.সি.সি) দা পাঙথোক্কনি । নেসনেল কনফরেন্স দলনা ওমর অব্দুলাহবু য়েৎনবা লৈতনা দল অদুগী লূচিংবা খনখ্রবনি। মদুগী তুংদা, উপ-রাজ্যপাল মনোশ সিনহানা সরকার শেমনবা ওমর অব্দুলাহদা খঙহল্লকখিবনি।

সিট ৯০ লৈবা জম্মু কাশ্মীরদা হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা নেসনেল কনফরেন্সনা সিট ৪২, মহাক্কী মপাং কংগ্রেসনা ৬ ফংখিবনি। অদুগা, বি.জে.পিনা সিট ২৯ ফংখিবনি।

**ইলেক্সনঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা মহারাষ্ট্র অমসুং ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী

মতম ঙসি লাউথোকখ্রে।

সিট ২৮৮ লৈবা মহারাস্ত্রা বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অমখক্তদা মথং থাগী ২০ দা পাঙথোক্কনি। অদুগা সিট ৮১ লৈবা ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলনা তাঙ্কক অনি থোকা মথং থাগী ১৩ অমসুং ২০ দা পাঙথোক্কনি। রাজ্য ১৫ গী বিধান সভা ৪৮ গী মরক্কী মীখল অমসুং লোক সভা সিট অনিগী মীখল মথং থাগী ১৩ অমসুং ২০ দা পাঙথোক্কনি। মথং থাগী ২৩ দা ভোট মশিং থিগনি।

**অব্দুলঃ** মিসাইল মেন ওফ ইন্দিয়া হায়রগসু খঙনবা ভারতকী রাষ্ট্রপতি ওইরম্বা ডা.এ.পি.জে অব্দুল কলামগী মপোক নুমিৎকা মরি লৈননা ঙসি লৈবাক অসিগী মীয়ামা লূচিংবা অসিগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎলি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমদি লূচিংবা কয়া য়াওনা হান্নগী রাষ্ট্রপতি অসিগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎতুনা শ্রধাঞ্জলি কৎলি।

**এআইঃ** রিছার্স, ইনোভেসন অমসুং ইকোনোমি হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা আর্টিফিসিএল ইর্ন্টিলিজেন্স সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স অহুম লিংখৎননবা ঙসি কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধাননা লাউথোকখ্রে।

শ্রী প্রধাননা হায়-রিছার্স, ইনোভেসন, ইকোনোমি অমসুং মীয়ামগী য়াইফননবা হোৎনবদা মীয়ামনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। সেন্টর অসিশিং অসি ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুসন ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) ন্যু দিল্লি, আই.আই.টি. রোপার অমসুং আই.আই.টি. কানপুরদা লিংখৎকনি। মহাকা হায়-সেন্টরশিং অসিনা লৈবাক অসিগী আর্টিফিসিএল ইর্ন্টিলিজেন্সকী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা ঙমহল্লগনি। মহাকা হায়-চহি তরাগী মতুংদদি সেন্টরশিং অসিনা মালেমগী সমস্যা কয়া কোকহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**সিন্দিয়া ঃ** কেন্দ্রগী কম্যুনিকেসন্স মন্ত্রি জ্যোতিরঅদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়রি- থা

২২ খক্তগী মনুংদা ভারতনা লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুমমক্তা ফাইভ-জি সার্ভিস ফংহদুনা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৮০ কোনশিনবা ঙমলে। নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মঙারক শুবা গ্লোবেল ষ্টেদর্ন্দস সিম্পোজিয়ম হৌদোকপগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়- ফাইভ-জি সার্ভিস হৌদোকপা অসিনা ইং কুমজা ২০৪০ ফাওবদা ভারতকী শেনমিৎলোনদা অমেরিকাগী দোল্লর কোতি ৪৫ হাপচিনবা ঙম্লগনি।

**গদকারি ঃ** কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা হায়রি- লৈবাক অসিদা ইথানোল বাইও ফ্যুএলগী পম্প ৪০০ হেন্না হাংদোকখ্রে। বাইও ইনর্জি সম্মিৎ ২০২৪ থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা তোঙান তোঙানবা ওতো মোবাইল ব্রান্দ অহুমগী মতেংগা লোয়ননা ইথানোল বাইও ফ্যুএল শিজিন্নদুনা থোবা য়াবা ফ্লেক্স ইঞ্জিন ভেহিকল পুথোকবা হোৎনরি।

শ্রী গদকারিনা হায়- অমোৎ অকায়শিংদা ইথানোল, সি.এন.জি অমসুং মিথাইলনচিংবা বাইও ফ্যুএলশিং পুথোকপা য়াবা পোৎলম কয়া য়াওরি। মরম অদুনা অমোৎ অকায় হুন্দোকপা মতমদা তোখায় তোখায়না মফম চানা থন্বীবা তঙাইফদে। বাইও ফ্যুএল অসিনা লৈবাক অসিগী ওইনা শেল থুমগী লমদা হেন্না খুদোং চাহল্লগনি।

**কেনাদা ঃ** কেনাদাদা লৈবা ভারতকী হায় কম্মিস্নর অমদি অতোপ্পা এনবোইশিং লৌথোকখ্রবা তুংদা ভারত্তা লৈরিবা লৈবাক অদুগী দিপ্লোমেট তরুক ভারত থাদোক্তুনা চৎনবা খঙহনখ্রে। মখোয়শিং অদু থা অসিগী ১৯ গী নুমিদাং পুং ১২ গী মমাঙদা লৈবাক অসি থাদোক্কদবনি হায়না কেন্দ্র সরকারনা খঙহল্লি। মপাল থৌরম মন্ত্রালয়গী মতুং ইন্না হৌজিক লৈরিবা কেনাদাগী সরকার অসিদা থাজবা লৈত্রে। মফম অদুদা লৈরিবা ভারত কী হায় কম্মিস্নর অমদি এনবোইশিং লৈবদা

শাফগদবা মফম ওইদবদগী মখোয়শিংবু লৈবাক অদুদগী লৌথোকখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা ভারত্তা লৈরিবা কেনাদাগী দিপ্লোমেটশিং অদু লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখিবনি।

**ফুটবোল (এল) ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন চান্দেলগী মীৎয়েং মখাদা চত্থগদবা দি.সি. চান্দেল ট্রোফি ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমসুং এ.দি.সি. চান্দেল ট্রোফি সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ঙসি চান্দেলগী জিওটলাং ভিলেজকী শান্নবুংদা হৌদোকখ্রে।

এ.দি.সি. চান্দেল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ.সি. অমদি লমবুং ৱাই.সি.সি. পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

**সুট্টিংঃ** দিল্লিদা চত্থরিবা আই.এস.এস.এফ. ৱার্ল্ড কপ ২০২৪ গী নুপীগী মিটর তরাগী ইয়ার রাইফল সুট্টিংগী ফাইনেলদা ভারতকী সোনম উতম মাস্করনা লুপাগী তকমান লৌরে।